**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-04-2026)**

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিব সিংহ, চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল, কম্মিস্নার (হোম) এন. অশোককুমার, দি.জি.পি. রাজিব সিংহ, এ.দি.জি.পিশিং, আই.জি.পিশিং, দি.আই.জিশিং অমসুং এস.পিশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদবা এস.পিশিং ভরচুয়েল ওইনা য়াওখি। মীফম অদু ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী মতুং ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা য়েংলগা পাঙথোকপনি। মীফম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংদা ফিভম অদু কুপা য়েংশিন্নবা অমদি আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎহন্নবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখি।

নীংশিংবা য়াই, মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মীফম অমসু ঙরাং পাঙথোকখিবনি।

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা তম্পাক্কী জিলাশিংদা কার্ফিয়ু থম্লক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল জিলাগী ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী অয়ুক পুং ৯ ফাওবা কাফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা তোঙান

তোঙানবা সংস্থানশিংগা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দগা ঙসি উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ফমখিবা মীফম অমদা-ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো), মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ), পোইরৈ লৈমরোল, ওল মনিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন (অমৱোভা) অমসুং কমিতি ওন হ্যুমেন রাইট (কোহোর) গী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়-ঙসি ফমখিবা মীফম অদনা সংস্থানশিং অসিনা পুখৎলকপা ৱারোলশিং কুপা খন্ন-নৈনখি। খন্ন-নৈনবগী মীফম অদু মপুং ফাবা মীফম অমা ওইখি। মীহুৎ কাংবুশিং অসিনা পুখৎলক্লিবা ৱাফমশিং সরকারনা লুমা লৌবগা লোয়ননা ত্রোংলাউবীগী থৌদোক অসি য়ামা লাইবক থিবা থৌদোক অমনি। মসিনা হৌজিক শান্তিগী লম্বীদা চংশিল্লক্লিবা অসিদা অপনবা থোকহল্লে। থৌদোক অসি সরকারনা লুমা লৌই।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য সরকারনা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিগা তোইনা পাউ ফাওনদুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎতুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসি নীংথিজনা য়েংশিল্লি। মহাকা হায়-লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং মশক খঙদোক্তুনা লৈবাক অসিগী আইনগী মতুং ইন্না চপ চাবা থবক লৌখৎকনি। লমদম অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্ষা ঙাক্তুনা থম্বা, মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিলহনবা অমসুং নাগরিক খুদিংমক অশোয় অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

মনিপুরবু শান্তি ওইবা অমসুং অশোয় অঙাম য়াওদবা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং নাগরিকশিংনা সরকারদা মতেং পাংবীনবা মহাকা আপিল তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা বিষ্ণুপুর অকোইবা অপুনবা লুপ (বাল) গী মীহুৎ কাংবুশিংগসু মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মেমোরেন্দম

অমা লুপ অসিনা খুৎশিন্নবগা লোয়ননা মদুদা য়াওরিবা মরুওইৰা ৱাফমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি। ত্রোংলাউবীদা থোকখিবা থৌদোক অমসুং মসিগী মখা তারকপদা থোরকপা থৌদোকশিং অসি শান্তিগী লন্বীদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরক্লি।

সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সরকার অসিনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা অপিবা মতমগী মনুংদা সংবিধানগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না রাজ্য অসিদা মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিলহন্নবা হোৎনরি। রাজ্য অসিগী আইন অমসুং শান্তি রক্ষা ঙাক্তুনা থমবা অমদি মীপুম খুদিংমক্কী স্বার্থ ঙাক্তুনা থম বগীদমক করি থবক লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু মতম মতমগী মতুং ইন্না মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থবক চত্থরি।

ঙসিগী মীফম অদুদা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, এম.এল.এ. পাউনম ব্রোজেন, এস. রাজেস, হৈখাম দিংগো, কে.ঐচ. ইবোমচা, সাপম নিসিকান্তা, সৈখ নুরুল হাসননচিংবা য়াওখি।

**খোঙজং(এল)ঃ** ত্রোংলাউবীগী থৌদোক্তা পীক্লিবা অঙাং অনি লৈখিদবা অমসুং মদুগী মখা তারকপদা মীওই অহুম লৈখিদবগী থৌওং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি।

ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), পোইরৈ লৈমরোল, ওল মনিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন (অমৱোভা), কমিতি ওন হ্যুমেন রাইট (কোহোর) অমসুং মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ) না ঙসি থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোক্কদবনি হায়বা দাবীদা ঙসি মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎখি। খোঙচৎ অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা ক্বাকৈথেলদগী কৈশাম্পাৎ তমা লাকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা হোদাম লৈরক মপাদা থিংখি।

তুংদা, লুপশিং অসিগী মীহুৎ কাংবু খরা খনগৎলগা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম

খেমচান্দ উন্নখি। উন্নবা অদুদা মীহুৎ কাংবু অসিনা মুখ্য মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখি।

খুরাই কোন্সম লৈকাই অপুনবা নুপী লুপনসু শিনদুনা ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা খুরাই লমলোং বজার ফাওবা চৎখি। খোঙচৎ অদুদা অঙাং হাৎপা য়ানিংদে। ত্রোংলাউবীগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্কদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

ত্রোংলাউবীগী থৌদোক্তা সি.আর.পি.এফনা নোংমৈ কাপ্পদা লৈখিদ্রবা হুইদ্রোম মাইকেল মীহাৎপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তেরা লৌখাম লৈরক কম্ম্যুনিতি হোল লমদম অদোমগী মীয়ামনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

কোংপাল সোসিএল দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং পুরি পুরাবা নুপী লুপ-কোংপাল খাইদেম লৈকাই মৈরা পায়বীনা শিনদুনা ঙসি কোংপাল খাইদেম লৈকাই থোঙখোংদসু ত্রোংলাউবী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথুখি।

শওম্বুং থোঙখোং, ফকং শঙ্গোমশঙ অমসুং চিঙারেল তেজপুরগী মৈরা পায়বীশিং অমদি ক্লবনা পুন্না শিনদুনা ঙসি শওম্বুং বজারদসু ত্রোংলাউবীগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখি। মীতৈ কম্ম্যুনিতি জোইন্ট কোওদিনেটিং কমিতি-ৱাইথৌ, কিয়াম, কিয়াম সিফাই, হাউখা অমসুং থৌবাল খুনৌদসু ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখি।

মরক অসিদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী অৱাং লৈকাইদা থোকখিবা বোমগী এটেক্তা চহি মঙা খক্তা ঙায়রিবা নুপামচা অমসুং থা তরুক্তা ঙায়রিবী নুপীমচা অমা লৈখিদবগী থৌদোক অদু নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না থিজিনবা হৌখ্রে। এন.আই.এগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি নুংথিল থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা য়েংশিনবা হৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপগী লোন্নবা

অহিংদা হৌখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদা পীক্লিবা অঙাং অনি অসি লৈখিদ্রবা মতুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা থৌদোক অসিগী মতাংদা এন.আই.এদা থিজিলহনগনি হায়না ফোংদোকখিবনি।

**ককচিং(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ইলেক্ত্রিসিতি শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা সরকারনা রিন্যুএবল ইনজিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবসু থবক থৌরম কয়ামরুম পায়খৎলি। মসিগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর রিন্যুএবল ইনর্জি দিবলপমেন্ট এজেন্সি (মণিরাদা) গী দাইরেক্তর-ডা: সরতচন্দ্র অরুজ্ অমসুং ককচিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-য়ু. চৈত্যানিয়ানা ককচিং অমসুং এলাংকাংপোকপীদা লৈরিবা ১৩২-৩৩ কে.ভি. সব ষ্টেসনগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মফম অসিদা মণিরেদানা কিলোৱার্ট পিক ৬০০ অমসুং কিলোৱার্ট পিক ৮০০ গী গ্রীদনা শমহনবা সোল্লর পৱার প্লান্ট শেমগৎকনি। থৌরাং অসি নোর্থ ইষ্ট স্পিসিএল ইনফাষ্ট্রকচর দিবলপমেন্ট স্কিমগী মখাদা পায়খৎকদবনি।

খোঙচৎ অদুদা এম.এস.পি.দি.সি.এলগী দি.জি.এম. অমদি মকোক থোংবা ওফিসারশিং লোয়নখি। প্রোজেক্ট অসি লাক্লিবা থা অনি অহুম অসিগা মনুংদা হৌরবা য়াই।

**রিমস(এল)ঃ** স্বার্থ পখৱারাগী ৯ নি চনবা নুমিৎতা ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎত লৈবা রিমস হোস্পিতালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লু-নানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

ওরথোপেদিক, সর্জরি, য়ুরোলোজি, চেষ্ট, ই.এন.টি অমসুং ওপথামোলোজি ৱার্ডশিংদা লু-নানবগী থবকশিং অদু চথখিবনি। মসিগী মথক্তা হোস্পিতাল অসিগী জিম খানানচিংবা মফমশিংদা লু-নানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**হেলথ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা লৈবা লাঙ্গোল তরুং অবার্ন প্রাইমারি হেলথ সেন্টর অমসুং গোবিন্দগ্রাম প্রাইমারি হেলথ সব-সেন্টর, নেসনেল ক্বালিতি এসুরেন্স ষ্টেন্দরদকী সার্টিফিকেট পীরক্লে।

কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়গী নেসনেল হেলথ সিষ্টেমস রিছোর্স সেন্টরদগী পীরকপা পাউগী মতুং ইন্না হেলথ সেন্টর অনি অসি ক্বালিতি এসুরেন্স ষ্টেন্দরদকী সার্টিফিকেট পীরকপনি।

**এআর(এল)ঃ** স্প্রেয়র কোরগী জি.ও.সি. লেফটনেন্ট জেনরেল-অভিজিত এস. পেন্ধরকরনা ঙসি চান্দেল জিলাদা চৎখি। মহাকা মফম অদুদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা পাঙথোকপা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী মীফমদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা জি.ও.সিনা এক্স-সার্ভিসমেন ৭০ রোমগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মখোয়না লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়নননা তৌরম্বা থবক থৌরমশিংবু জি.ও.সিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

অসাম রাইফলসনা ইরেংম্বগী মৈরা পায়বীশিং, কৈনৌগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, মাইবমগী ৱার্ড মেম্বর, কোমলাখোং প্রাইমারি স্কুলগী প্রিন্সিপাল, খুলগী খুল্লাকপা অমদি তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগা উন্নবগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি, লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগা সেক্যুরিতিগা অচেৎপা মরী থমবনি।

**শেংদোকপা (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সলাম অমসুং লুক্রেরগী মরক্তগী হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখি।

পুলিসকী পাউনা হায়-মফম অদুদগী সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, মেগজিনগা লোয়নননা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অহুম, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরু ৫৩, বোম

অনি, দিটোনেটর অনিনচিংবা ফাগৎখি।

**মীখল** ঃ অসাম, কেরলা অমসুং পুদুচেরি বিধান সভা মীখলগী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে।

নুংথিল পুং মঙা ফাওবদা অসামদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৮৫.০৪, কেরলাদা চাদা ৭৭.৩৮ অমসুং পুদুচেরিদা চাদা ৮৯.০৮ গী চাংদা ভোট থাদনখি।

অসাম বিধান সভা মীখল অসিদা খা থংবা সলমারা মনকছার জিলাদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৯৪.০৮ কী চাংদা য়ৌখি। কেরলাগী ওইনা কোহিকো জিলাদা নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৭৭.৬৩ গী চাংদা ভোট থাদখি।

অসামগী বিধান সভা কেন্দ্র ১২৬, কেরলাগী ১৪০ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুদুচেরিগী সিট ৩০ গী ভোট ঙসি অয়ুক থাদনখিবনি।

মরক অসিদা, নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম ঙসি লোয়খ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিনবগী মতমসু ঙসি লোয়খ্রে। অসাম, কেরলা, তামিল নাদু, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুদুচেরিগী ভোট মশিং মথং থাগী ৪ দা পুন্না থিগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নোংচুপ বেঙ্গোলদা করিগুম্বা বি.জে.পিনা সরকার পায়রবদি লৌমী অমসুং ঙামীশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং মতিক চানা পায়খৎকনি।

নোংচুপ বেঙ্গোলগী হলদিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-বিধান সভা মীখল লোয়রবা মতুং নোংচুপ বেঙ্গোলদা বি.জে.পিনা সরকার শেল্লবদি লৌমীশিং, আলু থারিবা লৌমীশিং অমসুং ক্বা মনা থারিবা লৌমীশিংদা কান্নবা ফংহনগনি। নোংচুপ বেঙ্গোলদা লৈরিবা ঙামীশিংগী

স্বার্থ ঙাক্তনা চৎপগীদমক ত্রিনামুল কংগ্রেসপু হুন্দুনা ঙাংখি।

মহাকা হায়-বি.জে.পিনা লাইরবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা থবক মরাং কায়না লৈতবদগী নহা কয়ামরুম অন্দমান অমসুং নিকোবর ইথৎ অমদি ওরিষ্যাদা শিন্মী ওইনা থবক শুবা চৎলি। কোল করখানা মরাং কায়না লৈরিবা হলদিয়াদা চাউখৎপা পুরক্ত্রে হায়না মহাকা সরকারবু মরাল শিখি। মসিগী মতুংদা প্রধান মন্ত্রিনা আসানসোল অমসুং সুরিদা পাঙথোকপা মীয়াম মীতিনদা শরুক য়াখি।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা নোর্থ টৌইন্তিফোর পরগনাজতা পাঙথোকপা মীয়ামগী খোঙচৎ অমসুং রেল্লিদা শরুক য়াখি।

**অরুনাচলঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অরুনাচল প্রদেসতা হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ট প্রোজেক্ট অনি পায়খৎপদা অয়াবা পীখ্রে।

অরুনাচল প্রদেসকী অনজো জিলাদা পায়খৎকদবা মেগাৱার্ট লিশিং ১,২০০ গী কলাই টু হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ট প্রোজেক্ট শাননবগী অয়াবা পীরে। থা ৭৮ দা লোয়শিনগদবা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ১৪,১০৫ লাখ ৮৩ চংনা পায়খৎকদবনি। মসিগী মথক্তা ক্রা দাদি অমসুং কুরুং কুমে জিলাদা পায়খৎকদবা মেগাৱার্ট লিশিং ১,৭২০ গী কমালা হাইদ্রো ইলেক্ত্রিক্ট প্রোজেক্টসু শানবা অয়াবা পীরে। থা অসিগী ৯৬ কী মনুংদা লোয়শিনগদবা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ২৬,০৬৯ লাখ ৫০ চংনা পায়খৎকদবনি।

**এলপিজিঃ** পেত্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাসকী জোইন্ট সেক্রেটরি-সুজাতা শর্ম্মানা হায়-সরকারনা লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা চাক থোংনবা গ্যাস চাদা ১০০ ফংহন্নবা হোৎনরি।

মহাকা হায়-হৌজিক ফাওবদা এল.পি.জি. দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদা গ্যাস লৈতবগী

পাউ ফংদে। ঙরাং ফাওবদা য়ুমথোং লাখ ৫১ হেনবদা এল.পি.জি. সিলিন্দর ফংহনখি। মহাকা হায়-ও.টি.পিগী খুথাংদা এল.পি.জি. পীবগী চাং চাদা ৯২ অদুগা ওন লাইনগী খুথাংদা বুক্কিং তৌবনা চাদা ৯৮ কী চাং য়ৌরে।

অমরোমদা, দিপার্টমেন্ট ওফ ফারমাসিয়ুটিকেলসকী জোইন্ট সেক্রেটরি-সৈত্যপ্রকাশনা হায়-লৈবাক অসিদা তঙাইফদনা চংবা হিদাক লাংথকশিং অৱাৎপা লৈতনা ফংহন্নবা মরি লৈনবা বিভাগশিংনা কন্না হোৎনরি। মহাকা হায়-নোংচ্প এসিয়াদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা হিদাক লাংথক্কী পোৎলমশিং সপ্লাই তৌবদা মালেমগী ওইনা চাউনা অপনবা থোকহল্লে। অদুমওইনমক, মসিমকা দ্রগ অমসুং ফারমাসিয়ুতিকেলগী পোৎলমশিংদা মমল হেনগৎলকপগী ৱাফম লৈতে।

পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজগী এদিসনেল সেক্রেটরি-মুকেশ মংঙালনা হায়-এল.পি.জি. পুবা ভারতকী জহাজ গ্রীন আশা ভারত্তা অশোয় অঙাম য়াওদনা য়ৌরক্লে। জহাজ অসি থা অসিগী ৫ দা ষ্ট্রেট ওফ হোরমুস লান্থোকখিবনি।

**ফুটবোলঃ** মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট-২০২৬ কী ফাইনেল অমসুং অহুমশুবা মফম হয়েং শান্নগনি তৌরম্বা অদু লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়রি।

**বোক্সিংঃ** মোঙ্গোলিয়াদা চথরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী বোক্সরশিংনা ঙসি সনাগী তকমান অহুম অমসুং লুপাগী তকমান অমা ফংখি।

কিলোগ্রাম ৪৮ গী কাংলুপ্তা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন-মিনাক্সি হুদানা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সরবু পোইন্ট ৫-০ দা থোইদুনা সনাগী তকমান লৌখি। কিলোগ্রাম ৫৪ গী

কাংলুপ্তা ভারতকী প্রিতি পৱারনা চাইনিজ টাইফৈগী বোক্সরবু থোইদুনা সনাগী তকমান অমসুং কিলোগ্রাম ৬০ গী কাংলুপ্তা প্রিয়া ঘনগসনা নোর্থ কোরিয়াগী বোক্সরবু থোইদুনা সনাগী তকমান লৌখি। অদুমওইনমক, কিলোগ্রাম ৫৭ কী কাংলুপ্তা জেসমিন থাইলেন্দগী বোক্সরগী মখুৎতা মায়থিহৌবদগী লুপাকগী তকমান ফংহৌরে।

**বেদমিন্টন** ঃ চাইনাদা পাঙথোক্লিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নসিপসতা ভারতকী সট্টলর-আয়ুস সেথি নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে। অদুমওইনমক, ঐচ.এস. প্রনোইদি টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

নুপীগী সিঙ্গলসতা-পি.ভি. সিন্ধু প্রি-ক্বাটর ফাইনেলদা লৈহৌরে। মিক্স দবলসতসু ভারতকী জৱা-দ্রুপ কাপিলা অমসুং তানিস ত্রাসতো মালেসিয়াগী মখুৎতা মায়থিহৌরে।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখ্রে।

২) তম্পাক্কী জিলা মঙাদা থল্লন্বা কার্ফিয়ু হয়েং মতম খরগী ওইনা কোমথোক্কনি।

৩) মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংগা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

৪) ত্রোংলাউবাগী থৌদোক্তা পীক্লিবা অঙাং অনি লৈখিদবা অমসুং মদুগী মখা তারকপদা মীওই অহুম লৈখিদবগী থৌওং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোকরক্লি। এন.আই.এনা থিজিনবা হৌখ্রে।

**অমসুং**

৫) অসাম, কেরলা অমসুং পুদুচেরি বিধান সভা মীখলগী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে। অসাম অমসুং পুদুচেরিদা চাদা ৮০ গী মথক্তা ভোট থাদনখি।

**--- পাউ লোইজরে---**